ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬৮শুবা মপোক কুমওনদা ফোরমনা খনগৎলবা লম্ কয়াদা শক্নাইরবা মীওই ৩৫দা মনা লান্থোকপদা মেঘচন্দ্র কোংবমদা আর কে বিদুর ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দ ২০২৬ খূৎশিন্নবা


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি-শক্তম, শিনফম ...-৯ লামায় ২

লামায় ৪ থবী-মাইরেন কাঙবুগী পান্বীশিংদা...

রানীখেট লায়না লাকপদা য়েনবু ইচিন... লামায় ৫

লামায় ৬ লোনা য়াবা মওংদা চীংলৈবাক...

মোদিনা লৈবাক মঙাগী খোঙচৎতা... লামায় ৮

লামায় ১০ অন্দর-১৪ বোইজ ৱান দে ত্রোফিঃ ফোর্স...


তাওথোং খুনৌ, লমশাংগী লোয়ালম শেমগৎ-শাগৎপা লূপ্না মীথোই-মীহেল্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু ওকপগী থৌরমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এল ইমোবনা খুদোলপোৎ খূৎশিন্নবা





Vol. 51, Issue No. 54 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ নিংথৌকাবা, ইঙাগী নীনী পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, May 18, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## কুকি ইনপি মণিপুরগী শটদাউননা হায়ৱেদা পল্লিবা গাড়ীশিং লৈঙাক্না ইম্ফাল য়ৌহল্লকপা ঙমদ্রে

# মাওদগী সেনাপতি ফাওবদা পন্দুনা লৈরকপা ৱিঙ্গর ৩ দিমাপুররোমদা অমুক হন্দুনা চৎলগনি

হুইয়েন ব্যুরো

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৩গী অয়ূক্তা কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী মরক্তা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লিদর য়াওনা মীচম ৩ হাৎখিবা অমসুং ৪বুনা শোকহনখিবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কুকি ইনপি মণিপুর (কিম) না মণিপুরগী হায়ৱেশিংদা চত্থরকখিবা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং থেঙ্খাং অনীরক্তা পুং ৪৮/৪৮গী ওইনা শাংদোকহল্লকপদগী ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা মাওদগীনা সেনাপতি ফাওবগী মরক্তা পন্দুনা লৈরকপা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংগী মনুংদগী ৱিঙ্গর ৩দি দিমাপুররোমদা অমুক হন্না চৎলগনি হায়রি।



মে ১৭,২০২৬কী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবদা সেনাপতিদগী মাও ফাওবগী মরক্তা পল্লিবা বসশিং

টোটেল শটদাউন অসিনা মরম ওইরদুনা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরক্লিবা ত্রক/পেসেঞ্জর গাড়ীশিংগী খোঙ্গুল লীরুবদা ইম্ফালগী নোর্থ-এ ও সীদা হেদ ওফিস ওইরিবা ওল মণিপুর ইন্টর ষ্টেট বস এন্দ এলাইদ ত্রান্সপোর্ট এসোসিএশনগী সেক্রেটরি চাউদুরিময়ূম রাজেনদা হংলুবদা মহাক্না হায়, টোটেল শটদাউন অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা হায়ৱে অসিদা পন্দুনা লৈরক্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কুকি ইনপি মণিপুরগী টোটেল শটদাউন অমুক্কসু পুং ৪৮ শাংদোকখ্রে নাগা ৬ থাদোরক্তবদগী য়ু এন সীনা খুদক্তগী ইকনমিক ব্লোকেদ হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৩দা কোটলেন অমসুং কোটজিম অনীগী মরক্তা খূৎলায় পায়বশিংনা থাদৌ চর্চ লিদর য়াওনা মীওই ৩ হাৎখিবা অমসুং ৪বুনা শোকহনখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৪দা কুকি ইনপি মণিপুরনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চার্টর ওফ দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোরক্ক্রে অমসুং সেনাপতিদা ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবা কুকি মীচমশিং মশীং শুনা থাদোরক্ক্রে হায়রদুনা কোটলেন অমসুং কোটজিম খুলগী এম্বুশকী মতুংদগী চত্থরকখিবা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং পুং ৪৮ শাংদোকহল্লকখ্রবা মতুংদা অমুক্কসু ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা অতোপ্পা পুং ৪৮গী ওইনা শাংদোকহনখ্রে।



কুকি ইনপি মণিপুর (কিম) না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অসুক লুরবা ফীভম অসিদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী তূমিন্না লৈশিল্লকপা অমসুং পাঙথোক্কদবা থবকশিং পাঙথোরক্তবসি লাইবক থীবনি। লোয়ননা ফীভম অসি য়াবা ঙল্লোই হায়রি।

মখা তানা ফীভম অসি হেন্না শাথীরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা গভর্ণমেন্টনা থৌদাং লৌদুনা থবক পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না এম্বুশকী থৌদোক মতুংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফৈ অমসুং সপরমৈনা কুকি খুলদা নাগা মীচম ২০ ফাজিন্দুনা থল্লম্বদগী খরা থাদোরকখ্রবসু লেমহৌরিবা পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম ৬তি হৌজিক ফাওবা থাদোরক্ত্রি হায়রদুনা মখোয় তরুকপু তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্তবনিনা খুদক্তগী নেশনল হায়ৱেশিংগী নাগা তাবা এরিয়াশিংদা ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খ্বাইদগী চাউবা ত্রান্স নেশনল দ্রগ ত্রাফিক্কিংদা চেন্নবা ম্যান্মার মচা ১ এন সী বিনা দেল্লীদা ফারে




ন্যু দেল্লী, মে ১৭ (এজেন্সী): ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা খ্বাইদগী চাউবা ত্রান্স নেশনল দ্রগ ত্রাফিক্কিং নেটৱর্ক চত্থবা থানচিনতুৱাং এলিয়জ চিংটুৱাং এলিয়জ লুৱাঙ্গা কৌবা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা দ্রগ ত্রাফিক্কর অমা দেল্লীদগী নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি) না ফারে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অকক্নবা পাউ অমদা যূন্ফম ওইদুনা মহাকপু এন সী বিনা মায় পাক্না ফাবা ঙমখিবনি। মীওই অসি ম্যান্মার-মিজোরাম-মণিপুর-অসাম-ত্রিপুরাগী কোরিদোরদা দ্রগ ত্রাফিক্কিংগী থবক চত্থদুনা লাকখিবা মীওইনি। মতম খরগী মমাঙদগী মহাকপু এন সী বিনা ম্যান্মারদগী হিরোইন অমসুং মেথামফেটামাইম সপ্লাই তৌবা ইন্টরনেশনল সপ্লায়র অমনি হায়না মশক খঙলকখিবনি। দ্রগশিং অসি মহাক্না মিজোরাম, মণিপুর, অসাম অমসুং ত্রিপুরা ফাওদুনা পুরগা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী মফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# ফূরুপশিং চঙনবা য়াদ্রিঙৈদা এস আই আর পাঙথোক্কদৌরিবসি চেকশিলহৌদ্রবদি য়েলহৌমী ভোটর লৌথোকখিবা য়াই : ডা. লোকেন

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা চহী অহুম হেন্না মৈ চাক্তুনা লৈরক্লিবসিনা ফূরুপ মশেল অমগা অমগা চঙথোক-চঙশিন য়াদ্রিঙৈ অমদি এন আর সী চৎনহন্দ্রিঙৈদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না পোলিটিকেল পার্টি অমদি সী এস ওশিংনা লাউরিঙৈগী চৈরক্তা থা অসিগী ৩০দগী হৌদুনা অকক্নবা মতমগী মনুংদা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোক্কনি হায়রিবসিদা চেকশিলহৌদ্রবদি মীশিং য়ামজদ্রবা মণিপুরগী য়েলহৌমী ভোটর ফাওবা লৌথোকখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লে হায়না হান্নগী মিনিষ্টর ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি পাওনা কৈথেলগী কাখুলোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা শগোলবন্দ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা কোংগ্রেসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নোনে দিষ্ট্রিক্টকী লোংমাই এরিয়াদা নুপীশিংগী খোঙজং

# নাগা মীচম ৬ তেক্ত-কায়দনা থাদোকউ

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) :

থা অসিগী ১৩দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লৈলোন ভাইফৈ কুকি খুলদা ফাজিনখিবা নাগা মীচমশিংগী মনুংদগী খরা থাদোরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা পাষ্টর অমা অমসুং রেভরিন্দ অমা য়াওনা মীচম ৬ থাদোরক্ত্রি হায়রদুনা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী খুমজি (লুখন্বী) মার্কেট সেদদা লিয়াংমাই নাগা ৱিমেন্স খুমজিনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।




খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীচমশিং থাদোকউ, মীচমশিংগী পূন্সি কল্লু, মীচম ফাজিনবগী থৌওং অচুম্বা নত্তে, ফূরুপ খুদিংমক্তা মীওইবগী হক ফংহল্লু, মীচমশিংসি মন্তিক্নবগী খূৎলায় নত্তে অমসুং মীচমশিংদা চত্থবা ভাইওলেন্স লেপ্পু হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

খোঙজং অসিদা নুপী লুচিংবীশিংনা কুকি লুচিংবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা লিয়াংমাই নাগা মীচম ৬পু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা থাদোকপীরকউ হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## ‘মিসিং পর্সন’শিং রেস্ক্যু তৌনবা ওপরেশন চত্থরি : পুলিস

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ‘মিসিং পর্সন’ শিং রেস্ক্যু তৌনবা লেপ্তুনা চত্থরকপা ওপরেশনশিংগী মনুং চন্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফৈ অমসুং খারম ভাইফৈ খুলশিংগী অৱাং-নোংচুপ থংবা হিল রেঞ্জশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা কোম্বিং অমসুং ছর্চ ওপরেশনশিং চত্থরি ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## এন আই এদা শিন্নগদবনি : থাদৌ ইনপি মণিপুর

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৩দা কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী মরক্তা লৈবা ইন্টর-ভিলেজ রোদতা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ‘নেশনল ফ্লেগ’ ইকায়খুম্ননবা কোহিমাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা খঙহনখ্রে

কোহিমা, মে ১৭ (এজেন্সী) : মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কোহিমাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অইবা চেরোল অমা থোক্তুনা লৈবাক অসিগী ‘নেশনল ফ্লেগ’ কাঙলোন চুম্না শীজিন্ননবা অমসুং ইকায়খুম্ননবা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, নেশনল ফ্লেগ অসি প্রিভেন্সন ওফ ইন্সল্টস টু নেশনল ওনর এক্ট, ১৯৭১ অমসুং কুমজা ২০২১ অমসুং ২০২২দা এমেন্দ তৌখিবা ফ্লেগ কোদ ওফ ইন্দিয়া ২০০২গী প্রোভিজন মতুংইন্না শীজিন্নরক্লিবনি।

দি সীগী সর্ক্যুলর অসিদা এক্ট অমসুং ফ্লেগ কোদ অসিনা পীবা প্রোভিজনশিং ঙাক্না দিপার্টমেন্ট/ওর্গনাইজেশন অমসুং মীয়াম্না নেশনল ফ্লেগপু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা শীজিন্ননবা পাউতাক পীখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লোয়শঙ পুম্নমক্না মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবসু খঙহনখি।

## এমটুক, এম জিওগী ব্লেক দে পাঙথোকখ্রে

# চহী অমদা লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ২৮৭ লোম মাঙহল্লি : জে এ সী




ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : বাবুপড়াদা লৈবা ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল (এমটুক) অমসুং ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ ওর্গনাইজেশন (এমজিও) না লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম ঙসিসু ১৬শুবা ব্লেক দে-২০২৬কী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা লূপ অনীসিগী জোইন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ইম্ফাল-সাইকুল লম্বী শেম্বগী থবক সী এমনা য়েংশিনখ্রে

# পাঙ্গৈ ১সুং খুন্দ্রাকপমগী খুঞ্জাশিংদা থাজবা পীরম্লে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : ইম্ফালদগী সাইকুল ফাওবগী লম্বী শেমগৎ-শাগৎপগী চত্থরক্লিবা থবকশিং ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পাঙ্গৈ অমসুং খুন্দ্রাকপমগী খুঞ্জাশিংদা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াবশিং পায়খৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরম্লে।



ইম্ফাল-সাইকুল লম্বী শেমগৎপগী থবক য়েংশিনখিবা খোঙচৎতা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র সী ঐচ বিশ্বাচন্দ্রনা থবক অসিনা খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা অমসুং হৌজিক ওইরিবা লম্বী অসিগী ফীভমশিং চীফ মিনিষ্টরদা পাউদমখি। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু ক্বালিটি অমসুং ষ্টেন্দর্দ মেন্টেন তৌদুনা মতম চানা লোইশিন্নবা পাউতাক পীরমখি। ইম্ফালদা হল্লকপগী লম্বীদা পাঙ্গৈ অমসুং খুন্দ্রাকপম এরিয়াগী খুঞ্জাশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা ক্লবকী মেম্বরশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ফাদোক-ফাজিন তৌরিবা মীওইশিং তেক্ত-কায়দনা থাদোকউ : লূপ মঙা

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস): মরাল লৈজদবা মীচম ফাদোক-ফাজিন তৌরিবশিং অসি মীওইবগী হক কন্দুনা অমসুং মীনুংশি য়েংদুনা অথুবা মতমদা তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়না অমুকো, কোহর, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, অমোভা অমসুং এম এস এফ (লূপ মঙা) গী প্রসিদেন্ট/চ্যেরমেনশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা লিশাং শিংনা কাঙলূপ ফূরুপ নাইদনা পূন্না নুংশি চান্নবা হিংমিন্নরকখিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরবু নমতিন তিনশিনবীখিদুনা লৈরকখিবদগী ঙসিসু অমুক লোইলম লৈঙাক্কী মচৎ অদু নৌহৌননা শমথদুনা কাঙলূপ ফূরুপ খায়দোক্তুনা মশেলগী মরক্তা তোখায়না থমদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা মখল কয়াগী থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিদা মণিপুর মীয়াম্না ইশা ইশাদগী হেন্না অপূনবগী ৱাখল্লোন লৈহনগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা ফূরুপ কাঙলূপ খক্কী শাগৎপা ৱাখল্লোন থাদোকসি হায়রদুনা ইরমদম ইমা লৈবাক নুংশিসি, ঐখোয় ইরমদম মণিপুরসিদা পোকপনি অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬৮শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা শক্নাইরবা মীওই ৩৫দা মনা লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী রূপমহল টেঙ্কতা লৈবা কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা শক্নাইরবা মীওইশিংবু তরাম্না ওকপা অমসুং ফোরম অসিগী কুমজা ২০২৫-২৬কী চহীগী এৱার্দশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা লম্‌শিংদা শক্নাইরবা মীওই ৩৫দা এৱার্দশিং খূৎশিন্নখ্রে।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর/টুরিজম মিনিষ্টর কে ঐচ লোকেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। অদুগা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট কে শান্তিবলানা ময়ায় তাংবল লৌরগা ললিট কলা একাদেমি এৱার্দি প্রোফেসর টি ঐচ তোম্বীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা হায়, তংদু লৈতাদবা অমদি ঈরাং লৈবা মফমদা চাওখৎপা ঙল্লোই। মরম অসিনা ঐখোয়না চাওখৎ লমজেল চেন্সি হায়রবদি ফূরুপ খুদিংমক নুংশি চান্না লৈরবা মতমদা অমদি শিবদা পুবা য়ারোইদবশিংগীদমক ঈরাং থোক্লবা শিল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়গী মণিপুরগী ওইনদি কলচরেল ফোরম্না লৌরিবা থৌদাংসি য়াম্না চাউথোকচনীংঙাইনি হায়রদুনা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# লাঞ্জেল্লকপা ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লিবসি ইরাল লৈতনা অহকপা চৈরাক পীবগুম্বনি : প্রমোদিনি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুর মীতৈ লৈকায়দগীখুঞ্জা

(ঙৱাংগী মখা...)

মে ৩,২০২৩গী নুংথিলদগী হৌরকখিবা লাননা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরমদা মোরে কৈথেল য়ৌশিল্লকপদগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মোরেগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থারকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী অহুম হেল্লক্লবা ফাওবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৫৩শুরবী অসেম প্রমোদিনিনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লকপা নুমিৎতা থেংনখিবা অকি-তুজুংবনা থল্লবা থৌদোকশিং অদু কাউঙমদনা লৈরক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি ফাওবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপনা মায়োক্নরকপা অৱা-অনা, লৈত-লায়রা অৱাৎপা কয়াগী পূন্সি অসিসু মখা তানা থেংনরি।

ইপুরোইবসু লৈজদ্রবী ঐহাক্কী মহৈ-মশিং তমজরিবা অমদি পীল্লিবা ইচাশিং অসি হীরম খুদিংমক্তা শোত্থবা হায়বদু শোয়দনা ওইহৌরগনি। লান অসি থোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদদি ইচাশিংবু মহৈ নীংথিনা তমহন্দুনা মতিক চাবা মী অমমম ওইহন্নবা মঙলান মঙজরম্বনি। হৌজিক্তি লাঞ্জেল্লক্তুনা ইশাগী য়ুমদসু লৈজবা ফংদবগী মথক্তা রিলিফ কেম্প অসিদা শিদ্রি হায়বদং খাক্তুনা লৈরকপনা ইচাশিংগী মনীং থুংহনবা ঙমদ্রে। ইপাঙ্গলনা শু-নোমদুনা তাঞ্জবা শেলনা শাজবা য়ুমসু তুম্না মাঙখিবা অদুগা তুংগী য়ূম্বী ওইহৌগদবা অমসুং লেঙদবা লন ওইজগদবা ইচাশিংসু মাঙবগী ফীভমদা লাক্লবনিনা হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐগুম্বা মমা-মপা ওইবশিংনা করি-করম্বা ৱাখলদা হিংখিগদগে হায়বা ৱাহং থোরক্লে।

হৌজিকমক্কী ওইনা রিলিফ কেম্পতা আই দি পি ওইনা লৈরক্লিবা ঐখোয়না করিসু অহেনবা অমত্তা পামদ্রে। ঐখোয়না অমত্তা ঙাইরবা লাইনীং ওইদুনা পামজরিবদি ইশা-ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম্না ঈং-তপ্পা হিংবা পূন্সি মরেল অদুদা লৈবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরক্লিবা অসেম প্রমোদিনি হৌজিক মোইরাং থাংজিং গেষ্ট হাউসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা মচাশিংবু মী ওইনবা শেন্দা মতেং পাংনবগীদমক প্লাষ্টিককী বেগ লোন্দুনা য়োল্লক্লিবীনি।

# কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এলএফকী ৯শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎতা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচএনএস) : কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী ৯শুবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ (মে ১৮,২০২৬) তা অথৌবশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী ‘চৎলেদো ঐখোয়দি, নখোয়গী হয়েংগীদমক’ হায়বা চেরোল অসিনা হায়, মে ১৮,২০২৬ অসি লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মণিপুর লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লালহৌসিদা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ‘অথৌবা ওইখ্রবা’ য়ু এন এল এ/এম পি এগী নীংতম লান্মীশিং, পার্টি অসিবু লুচিংবীরম্বশিং অমসুং পার্টিবু শৌগৎপীরম্বা লৈখিদ্রবা ইরৈচা খ্বাই পূম্নমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচবা ‘অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ’নি। শেংলবা নুমিৎসিদা লালহৌলূপ অসিবু লিংখৎপীরম্বা নুংশিখিবা লৈখিদ্রবা লুচিংবশিং, য়েক্নবগা মায়োক্নবা লানফমদা থৌনা ফনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ওইখ্রবা লান্মীশিং, কাদরশিং, লূপ অসিবু নুংশিবীখিবা অমদি তেংবাঙবীরম্বা ইরৈচা পূম্নমক্কী মফমদা লালহৌলূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা পার্টি অমসুং লান্মী শঙলূপকী মহুৎ শিঞ্জরগা কোক নোন্না য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়রি।

য়ু এন এল এফ/এম পি এনা কুমশিং ২০১৮গী মে থাগী চৈচৎ ১৮দগী হৌনা চহী খুদিংগী মে ১৮ অসি ইরৈবাক মণিপুরগী নীংখা তম্বা হঞ্জিন্নবা চত্থরক্লিবা নীংতম য়াওল লালহৌদা থৱায় কৎখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী অথৌবা পূম্নমকপু নীংশিংদুনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ‘অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ’ ...মখা লমায় ৬ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫